# কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচিং প্লে গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌরগা ২১ রক শুবা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিবন হোস্পিটাল, ৱাই এন কোলেজ ওফ নর্সিংগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. য়েঙ্খোম অশোককুমার, দি এস এ ককচিংগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ইবোবি অমদি বোরো মিষ্ট্রি খুন্দ্রাকপম সচি, কে কে ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট নাওরেম ধনে অমসুং কে কে ত্রষ্টকী সেক্রেটরি ময়াংলমবম রানিদাসনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।



ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচ ওইনা য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং কে এফ সী ককচিংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙল্লবসু মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৬ শুবা মিনটতা কে এফ সীগী অলকেলিষ্টনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী ১২ শুবা মিনটতা য়ু বি এস এ মন্তককী শান্নরোয় করুং সুংনৈচুংনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ু বি এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৩৭ অমসুং ৩৯ শুবা মিনটতা য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ঙমনৈরিং কোম অমসুং লিভোন জে ।সেফনা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৪১ শুবা মিনটতা কে এফ সীগী অলকেলিষ্টনা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগীসু অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু বি এস এ মন্তকনা পাঞ্জল ৩-২দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা কে এফ সী ককচিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্মবা অকনবা মওংদা শান্নখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ৭৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় লিভোন জোসেফনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু য়ু বি এস এ মন্তকনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# লোক্তাক এফ সী মায় পাকখ্রে, আর এফ সী সী কৈনৌ অমদি এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌ দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মীনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা য়ুম্নাম মনাও (সিনাবা) মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা আর এফ সী সী কৈনৌ অমদি লিটল ফ্লৱার ক্লব (এল এফ সী) ঙাইখোং খুনৌ দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্টনা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং কুল্লেন মায়থীবা পীখ্রে।



দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ৯না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী ১২ শুবা লিগ মেটচতা আর এফ সী সী কৈনৌ অমদি এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

নাকল অনীমক্কা মেটচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী ১৩ শুবা লিগ মেটচতা লোক্তাক এফ সী অমসুং রাইজিং ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লোক্তাক এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্টনা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুল্লেনবু পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। লোক্তাক এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৩, ৩৭, ৩৯ অমসুং ৫৫ শুবা মিনটতা কে ঐচ জেবিসননা মরি অদুগা ৪৬ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা হরমোন খোল অমদি টি জে নিসনা অমমম চনখিবনি। অদুগা রাইজিং ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা ৩৫ অমসুং ৭২ শুবা মিনটতা পি দেনি অমসুং রোংনৈসিংনা চনখিবনি।

# মাষ্টর্স এথলেটিক মীট পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** রাজষ্টানগী অজমিরদা লৈবা পটেল সিন্থেটিক ষ্টেদিয়মদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩০দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা নেশনল মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী টিম শেম্লগনি হায়না মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক এসোসিএশন অসিনা শীন্দুনা ৪৪ শুবা মাষ্টর এথলেটিক মীট কম ত্রায়ল ২০২৫-২৬ মথং থাগী ১৩ অমসুং ১৪দা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিমদা পাঙথোক্লগনি। কুমজা ২০২৬কী জন্যুৱারী ৩০ ফাওবদা চহী ৩০ শুরবা মীওইশিং অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপ্তা মীট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএশনগী ওফিসতা থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা মথং থাগী ৬ ফাওবগী মনুংদা লাক্লগা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# সুলটান ওফ জোহোর কপকীদমক ইন্দিয়ান জুনিয়র মেন্স হোক্কি টিমগী স্কৱাদতা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৩ য়াওরক্লে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সুলটান ওফ জোহোর কপতা শরুক য়াগদবা মীওই ১৮না শাবা ইন্দিয়ান জুনিয়র মেন্স হোক্কি টিমগী স্কৱাদ অমদি ষ্টেন্দবাইগী লিষ্ট লাউথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোয় অহুম য়াওরক্লে।

ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স হোক্কি টিমগী কোচ পি আর স্রিজেসনা ফোঙদোকখিবদা সুলটান ওফ জে ।হোর কপকীদমক টিম অসিনা মপুং ফানা শেম শাদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী টিম অফবা টিম অমনি। মসিগী মথক্তা সুলটান ওফ জোহোর কপ অসি ঐখোয়গী টিমগী ওইনদি লাক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী শেম শাবা ওইনা থোক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা জোহোর কপ অসি ঐখোয়না য়াম্না মরুওইনা লৌই হায়খি।

মহাক্না হায়, মালেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা কপ অসিদা ঐখোয়না মায় পাকপা ঙম্মবা হোৎনগনি অমদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবসু লৈ। ঐখোয়গী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং নহা ওইরবসু মশাগী তোপ তোপ্পা হৈশিংবা লৈজবা ঙাক্তনি।

ইন্দিয়ানা কপ অসিগী মমাঙগী এদিসনদা অহুমশুবা মফম কন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি। হন্দক্কী ওইনদি হান্নদগী হেন্না ফজনা শান্নদুনা হান্না ফংখিবা মেদল অদুদগী হেন্না থাক ৱাংখৎনা ফংনবা পান্দম থল্লি। ইন্দিয়ানা কপ অসিগী ওইনা মথং থাগী ১২দা অহানবা মেটচ ওইনা গ্রেট বৃটেনগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা মথং থাগী ১২, ১৪, ১৫ অমদি ১৭তনা মথংশিংনা ন্যুজিলেন্দ, পাকিস্টান, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি য়ুম্বু মালেসিয়াগা লম্বা তৌনগনি। রাউন্দ রোবিন ষ্টেজ অসিদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙন্বা টিম অনীনা মথং থাগী ১৮দা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

ঙসি লাউথোকখ্রবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরদা বিক্রম সিংহ অমসুং প্রিন্সদিদ সিংহনি। দিফেন্দরদা য়াওরিবশিংনা রোহিদ (কেপ্টেন), টালেম প্রিয়োবর্ত্তা, অনমোল ইকা, অমির অলি, সুনিল পি বি অমসুং রবনিট সিংহনি। মিদফিল্ডরদা য়াওরিবশিংনা অনকিট পাল, থৌনাওজম ইঙালেম্বা লুৱাং, অদ্রোহিট ইকা, অরাইজিৎ সিংহ হুন্দাল, রোসন কুজুর অমসুং মনমিট সিংহনি। ফোর্ৱাদতা য়াওরিবশিংনা অজদিপ সিংহ, সৌরব অনন্দ কুসৱাহা, অজিৎ যাদব অমসুং গুরজোট সিংহনি। অদুগা ষ্টেন্দবাইদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা বিবেক রাকা, সদানন্দ টিৱারি, থোকচোম কিংসন, রোহিৎ টুল্লু অমসুং দিলরাজ সিংহনি।

# লা লিগাঃ বর্সেলোনানা গেটাফেবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে



**মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী):** স্পেনদা হৌজিক চথরিবা লা লিগাগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা বর্সেলোনানা গেটাফেবু লাকচনা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

স্পেনদা লৈবা ষ্টাদি জোহান ক্রিয়ফতা ঙসি বর্সেলোনা অমসুং গেটাফেগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী বর্সেলোনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বর্সেলোননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭১ ওইখিবা মতমদা গেটাফেনা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৯ খক্তমক ওইখি।

বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা বর্সেলোনানা মেটচ অদু হৌগৎলকপদগী কন্ত্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১৫ অমসুং ৩৪ শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী ফেরান টোরেসনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বর্সেলোনানা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা গেটাফেগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্মবা কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৬২ শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী দানি ওলমোননা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক গেটাফেগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বর্সেলোনানা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** লিবরেল কোলেজনা য়ুম্বু ওইরগা কোলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙসিদগী হৌরগা নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ হৌদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপ, লিবরেল কোলেজ লুৱাংশংবমগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এন সঞ্জয় অমসুং ভাইস প্রিন্সিপাল ডা. দল্লিয়ু প্রদিপকুমারনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা নুপাগী ওইনা অহানবা মেটচতা ময়াই লম্বী কোলেজনা মোইরাং কোলেজবু ৪৮-১৮, কুম্বি কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু স্কোর ৫১-৭, লিবরেল কোলেজনা জে সী আর ই গ্লোবেল কোলেজবু স্কোর ৩৯-৩০ অদুগা লিলোং হাওরৈবী কোলেজনা বিরমঙ্গোল কোলেজবু স্কোর ৪৫-৫দা মায়থীবা পীখ্রে। নুপাগী ওইনা মখা তাবা মেটচশিংদা ময়ায় লম্বী কোলেজ অমসুং কুম্বি কোলেজ অমদি লিবরেল কোলেজ অমসুং লিলোং হাওরৈবী কোলেজকী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন (বি দি বি বি এফ এ)না শীন্দুনা ওইনাম উশক খঙদবী মনাক্তা লৈবা ওইনাম পব্লিক হোলদা অনীরকশুবা মিষ্টর ইবুধৌ তাংলৈ অথোয়বা ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অনী অসিদা মেন্স ওপন বোডি বিল্ডিং অমদি মেন্স ওপন স্পোর্টস ফিজিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেটাগরিদা অথোই অহেন চাংদম্নগনি।

# সন্দেজ ওন সাইকলগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):** মীপুম খুদিংমক হকচাং ফনা থম্নবগী পান্দমদা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবা সন্দেজ ওন সাইকলগী থৌরম ঙরাংসু সাই এস টি সী খুমন লম্পাক অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমগা খুৎশম্নদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।


থৌরম অদুদা সাই এস টি সী ইম্ফাল খুমন লম্পাক্কী হান্নগী দিপ্যুটি দিরেক্টর লৈশাংথেম ইবোমচানা অথোয়বা মীথুংলেন ওইরদুনা সাইকল রেল্লি অদু লমথাখি। তোঙান তোঙানবা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা সন্দেজ ওন সাইকলগী থৌরমসি লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্কা হৈনবী অমা ওইনা থম্নবা হোৎনগদবনি হায়না লৈশাংথেম ইবোমচানা ফোঙদোকখি।







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1600**

**Thomas Boehm (2154) - Samuel Weber (2123)**
**9th Vellmar Chess Days Vellmar (4), 2017.07.15**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 e6 | 3.e3 b6 | 4.Bd3 Bb7 | 5.O-O Be7 |
| 6.c4 O-O | 7.Nc3 d5 | 8.b3 Nbd7 | 9.Bb2 c5 | 10.Qe2 Rc8 |
| 11.Rfd1 Qc7 | 12.Rac1 Qb8 | 13.Ba3 Rfe8 | 14.Na4 cxd4 | 15.Bxe7 Rxe7 |
| 16.Nxd4 dxc4 | 17.Rxc4 Ne5 | 18.Rxc8+ Qxc8 | 19.Qd2 Nxd3 | 20.Qxd3 Rd7 |
| 21.Qe2 e5 | 22.Nf5 Qd8 | 23.Rxd7 Qxd7 | 24.Ng3 Qc6 | 25.f3 e4 |
| 26.f4 Qc1+ | 27.Kf2... | | | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1599 Solution :**

**51. Ne3** *The white knight attacks Black's knight, which is pinned.* **N7h6**

*51...Ke6 52.Nxf5*

*51...dxe3 52.Rxd7*

*51...N7d6 52.Nxf5 Nxf5 53.Rdf2 The white rook pins Black's knight against Black's king. The white rook attacks Black's knight, which is pinned. Ke6 54.Rxf5*

**52. Nxf5** *The white knight trades and lures Black's knight to the square f5.* **Nxf5 53.Rdf2** *The white rook pins Black's knight against Black's king. The white rook attacks Black's knight, which is pinned.* **Ke6**

*53...d3 54.Rxf5+*

*53...Ke7 54.Rxf5*

**54. Rxf5**

**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com